# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ৮৮

**ডা. এল শশীকুমার, য়ূরেম্বম**

*মণিপুরগী* মীয়াম্না অওনবা, অহোঙবা অমদি ময়েক শেংনা পাম্নবগী ৱাফম লেপ্পুনা ঙাঙনবা তাদবদি নত্তে। অদুবু অওনবা, অহোঙবা শোয়দনা লাক্লগনি হায়বসি মীয়ামগী থাজবনি। শোয়দনা অহোঙবা অওনবা লাক্লগনি। ঙসি ময়েক শেংনা মীয়াম্না মপূং ফানা খঙনখ্রে। হন্দক্কী মোদি লৈঙাক্না ময়েক শেংনা মীয়াম মমাঙদা ফোংনা শক্তম অমা উৎখ্রে। মসিমক অহোঙবা, অওনবা অমনি করম্না হায়রোইদগে। ২১ শুবা চহী চা অসিদা নরেন্দ্র মোদিনা ময়েক শেংনা ফজনা উৎখ্রে। ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা থম্বাল শাৎলনি। মসিমক অচুম্বা ওইরসনু। অদুবু ঈশিং লৈতবা মফমদা থম্বাল শাৎপা হায়বসি খরদি লুনা থোক্কনি। অদুবু অওনবা, অহোঙবদি শোয়দনা মীৎমাংদা থবক ওইনা ময়েক শেংনা খঙনখ্রে। বি জে পিগী থম্বাল, কোংগ্রেসকী খূবাক ইন্দিয়াগী মফম খুদিংদা হিদানরি। অতৈ অতৈ পোলিটিকেল পার্টি মমিং ফাওবা পনরকপা তানদ্রে। মসিমক অওনবা অহোঙবা অমনি। বি জে পিগী টিকেট তান্নবদা অওনবা অহোংবা ফজনা মপূং ফানা উনখ্রে। টিকেট তান্নবদা শেঙ্গা থুমজাগী ৱাফম ঙাঙনরকখিবা তরাইবা নত্তে। টিকেট তান্নবদা লুপা লাক্ষ ২০/৩০ চঙনখিবা য়াওদবা নত্তে। মসিসু অওনবা অহোঙবা অমদি ওইরি। কেন্দ্র অমমমদা টিকেট তান্নরম্বসি কেন্দিদেট ৪/৫ নি। শেঙ্গা থুমজা, হাবী-জাবী, শঙ্গ-পঙ্গ, ৱাচৎ-ৱানোমগী ময়েক শেংলবা শক্তম মীয়াম্না ফোঙনা খঙনখ্রে। মসিদবু অওনবা অহোঙবা লৈতে করম্না হায়নরুগনি। মসিমক্না অচুম্বা খোঙথাং ওইরবদি অচুম্বা অশেংবগী মফম মাঙলরোইদ্রা । নরেন্দ্র মোদিনা লুপা ১০০০ চৎপীগী মহুৎতা লুপা ২০০০ চৎপী পুথোরকপা তরাইবা ওইরমদ্রে। মোদিগী লুপা ২০০০ চৎপী হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদা কয়াদা খুদোংচাবা ফংনখ্রে। কোংগ্রেস, বি জে পি অনীগী লুপা ২০০০ দগী লুপা লিশীং ৪/৫ ফাওবা ভোটর অমমমদা য়েনবদা কয়াদা খুদোংচাবা ফংনখ্রবা। মসিদবু অওনবা, অহোঙবা লাক্লগনি হায়বসি করিদা লানগনি। মমাঙথক্তা লুপা ৩০০ দগী ৫০০ ফাওবা ভোটর অমমমদা খুদোংচাবা পীনরম্মী অদুবু হন্দক্কী মোদি লৈঙাক লাকপদগী লুপা ২০০০ য়ৌরকপা মসিদবু অওনবা অহোঙবা পুরক্তে করম্না হায়রুগনি। ভোটর অমগী মমল লুপা ২০০০ দগী লুপা ৫০০০ ফাওবা য়ৌরকপা হায়বসি অওনবা অমনি।

অহোঙবা অমসু লাক্লে। কোংগ্রেসকী টিকেটকী ৱাফমদা অমত্তা চরাংনবা লৈখিদ্রে। অদুবু বি জে পিগীদি খোইরেল মশা পান্দুনা লৈবাক পুংজাও থিন্না খঙনখ্রে। শেঙ্গা থুমজা, শঙ্গ-পঙ্গ, অচান-মীরাইদগী ৱাথোক লৈখিদবা নত্তে। মসিমক ভোট হায়দোরকপদা তকশি শোন্নদবা য়াওরোইদবা নত্তে। মতম শাংনা আশা তৌনা কখোকচরুবা কয়াসু নীংবা কায়না হন্দোরক্তবা নত্তে। মসিমক্না লৈঙাক শেন্বদা অচৌবা অওনবা, অহোঙবা খরসু শোয়দনা মায়োক্লরোই হায়বা তম্বা ঙম্বা নত্তে। লৈবাক্না শকখঙনরবা কয়াসু য়াওদবা নত্তে। টিকেট ফংহৌদবা মরক্তগী মায় পাকপা য়াওরোই করম্না হায়রুগনি। নীংবা থুংদবা, নীংবা কায়বা খরদি শোয়দনা য়াওফম থোকই। অদুবু মীচম মীয়াম্নসু ককঙাওনদবা নত্তে। লুপা ২০০০ চৎপী উবদা থম্মোয়গী অপাম্বদগী লুপানা জয় তৌদবসু নত্তে। মীচম মীয়ামশিংসু ভোটর অমমমদা লুপা লিশীং ১০/২০ ফাওবা ফংনরকপদা খনফম খঙদবা য়াওখিদে করম্না হায়রুগনি। মাগী মাগী পার্টিনা পীথরকপা লুপা ক্রোর ২/৩ য়েনফম খঙদনা লৈবা কেন্দিদেট খরসু য়াওদবা নত্তে। নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসিদা লুপা ২০০০ চৎপীগী মগুন ওন্থোক্লা ৱাংখ্রে। পৈশাগী শক্তি হায়বসি হন্দক্কী মতাংসিদা ময়েক শেংনা খঙনরনি। কেন্দিদেট খরদি ভোট হায়দোকপা নোংঙানবদা ঙাউদুনা চৎনবা য়াওরোই হায়নীংঙাই লৈতে। কেন্দিদেট অমমমনা লুপা ক্রোর ৫০/৬০ খরচ তৌরগা ভোটতা মায়থীবা হায়বসি ঙাউদনীংঙাই লৈতে। লায়রবা মণিপুর শেন্থোক লৈজদবা মণিপুরদা হন্দক্কী ভোট অসিনা অনৌবা অওনবা অহোঙবা অমদি ময়েক শেংনা ফজনা খঙনরনি। মসিগী লৈঙাক্কী মতুংদা করবার ওইনা চোঙথোরকপা পোলিটিকেল পার্টি অমদি মায়োক্লরগনি। মরম অদুনা অরুনাচলগী মতৌ তম্নরক্তুনা লমন শিংনীংবা, লমন শিংবা ঙমদবসু য়াওরোই হায়নীংঙাই লৈতে। মণিপুর হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা চোঙথোক চোঙশিন তৌবগী কল্লবা মফম অমনি। ইমুং মনুংগী পোলিটিক্স মণিপুর য়ৌরক্লে। ওজানা তম্বীবনা খরতনি মখা তাবদা হেন্না হৈথোই শিংথোইরবা মীগী মশীং ৱাৎতনা লৈরি। বি জে পিগী অওনবা, অহোঙবা থবক ওইনা ভোট থাদবগী তাঞ্জাদা ময়েক শেংনা খঙনখ্রে।

মসিগী মখা তারকপদা চহী ১৫ গী কোংগ্রেস লৈঙাক্কী শেঙ্গা থুমজা, মীহাৎ-মীপুন মালেমগী মনুংদা তোমথিন ওইনা শকখঙনরবা কোংগ্রেসকী লৈঙাকনি। অশিবা মফম মরাং খঙহন্দবা ১৫০০ গী মথক্তা ফোংনা খঙনখ্রে। মী মকোক কয়া তোম্বীস্না হায়স্কুলদগী ফংনখ্রে। নুংথিল পোবোবতা থোকখিবা সঞ্জিৎ, রবিনাগী ৱাথোক, মৈ-ঈশিংনা চামদুনা কোকহনবা ঙমলরোইদবা কয়ানি। মসি পূম্নমক্কী মথক্তা দ্রগকী ৱাথোক, লোক্তাক শেংবগী ৱাথোক্লচিংবা কয়া লৈঙাক পায়দ্রবদি নমশিনবা খক য়াররোইদবা কয়ানি। হীরম অসোমদা নাম্থোকপা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসি তরাইবা নত্তে। লৈঙাক পায়নীংবনা ঙাউরবা বি জে পি ফাওবনা চথুরকপা থৌশিল অসিদা লাল্লুরবা লৈঙাক পায়হৌদ্রবদি দষা তারগদবা কোংগ্রেসনা কদাই ফাওবা খোঙফম চেৎনা চথুরমগদগে হায়বসি তরাইবা নত্তে। ইলেক্সন ময়াদা থবক হাপ্পদা পিওন অমদা লুপা লাক্ষ ১০/১৫ ফাওবা খোমগৎখ্রে। মসিগী মথক্তা অচৌ অচৌবা পোষ্ট খরদা লুপা লাক্ষ ৫০/৬০ গী দাগ য়ৌরবা থবক হাপ্পগী ঈথক ঈপোম চহী ১৫ গী মনুংদা খোমগৎপা, শেঙ্গা থুমজা কল্লবা ঈরাং কয়ানি। মসিগী মথক্তা পুলিস লৌবগী অনীরক হনবা ফলগী ৱাথোক্লচিংবা লুরা লুরবা ৱাথোক কয়াসি নাথৈনবা মায়োক্লবা তাবনি। ঙরাং নহান থোকপা বি জে পিনা চথুরকপা কল্লবা ঈহৌদা কোংগ্রেসকী অরিবা পার্টিনা তরাই তরাইনা থাদোকপা হায়বসি ওইথোক্লোই। মশা মশাগী মরালশিং ফংহনবা হায়বসি লৈঙাক পায়হৌদ্রবদি য়ারোই হায়বা ৱাখলনা মাঙওইননা থম্লগা মীচম মীয়ামগী থম্মোয় পেন্নবা নুং পান ফাওনা খঙনরবা শক্তম কয়াসু লৈতবা নত্তে। অওনবা অহোংবদি লাকপা হৌখ্রে। কদাই ফাওবা ওনগদৌরিবা হায়বদু য়েংগদবতা মঙাইরে। ওল্লক্কদৌরিবা অওনবা , হোংলক্কদৌরিবা অহোঙবা অফ ফত্ত অদু মীচম মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরি। মতাংসিদা কোংগ্রেসনা ৩৮ গী মনুংদা ২৪ খক আশা তৌরি।

কোংগ্রেসকী আশাসিমক মপূং ফানা চুমজরবসু অনীশুবা ফেজগী ওইনা মীরেপ ১২ গী মনুংদা কোংগ্রেস মীরেপ ১০ শুনা কারকপা হায়বসি থাজনীংঙাই ওইদ্রে। মসিমক্না কোংগ্রেসকী লৈঙাক অমুক হল্লক্লরোই হায়নরি । কোংগ্রেস বি জ পি নত্তবা কৈথেল নংনবা থোরকপা পার্টিশিংদগী আশা থোইনা তৌনীংঙাই ওইদে। মরমদি কোংগ্রেসপু পামদবা মরম্না মদোমদগী আশা তৌবা হায়বসি তরাইবা ওইরোই। ঙসিমক ইন্দিয়াগী মনুংদা মরাই চাইথরক্লবা কোংগ্রেসকী লৈঙাকনি। কোংগ্রেস পাম্বা মীয়াম, কোংগ্রেস পাম্বা এম এল এ থোরকপা অরুবা ওইগনি। ঙসিগী মতমসিদা পোলিটিক্সকী থাক অসি অওনবা অহোঙবা অমদি শোয়দনা লাক্লগনি । হন্দক্কী চহী অসিদা মণিপুরদা থাজদ্রবা ৱাথোক, থাজদ্রবা অহোঙবা অমা শোয়দনা লাক্লগনি। অরুনাচলগী ৱাথোক অদুমক নীংশিংনিঙাই অমদি ওইরি। হৌজিক হৌজিকমক কোংগ্রেস মনুংগী লান লোইবা নাইবা নত্তে। ইবোবীগী লৈঙাক মতমদা হৌরকখিবা ঈরাং তরাইবা নত্তে। মদুগী লৌ হন্দক্কী মতাংসিদা ময়েক শেংলগনি। ঙসি ঙসিমক কোংগ্রেসতগী চোঙননবগী পোরম লৈরম্লোই করম্না হায়রুগনি। লৈঙাক শেল্লমদাইদা মাঙনখিগদবা এম এল এ খরদি য়াওরম্লোই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মপূং ওইনা চীংগী মফম অয়াম্বদা কোংগ্রেস তুরা তুনা মাঙখিগনি। মদুগী ময়েক শেংলবা খুদমদি কোংগ্রেস থাদোকপা ঙমদবা হায়বসি অনৌবা পাড়া অমনি। লৈঙাক পুমিন্নরিবা কোংগ্রেস মনুংদা খাইবুং খাইবুং লৈরে হায়বসি মমাঙথক্কী পুৱারীনা লেংদ্রবা শাখিনি। মীয়ামগী খোল্লাউ মীয়ামগী ঈহৌ কয়াদা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী অশোনবা অহোবা কয়া মেনখৎহৌদবগী খুদম হন্দক্কী লৈঙাক অসিদা অনৌবা অওনবা, অহোঙবা পাড়া অমদি ময়েক শেংলগনি। সেন্তরদা বি জে পি লৈবদগী খুদোংথিবশিং এম এল এ খুদিংমক্না পাড়া ফারগা লৈনরবনি। কোংগ্রেস এম এল এ চোঙনবগী খোঙফম লোইনরম্লোই হায়বা তম্বা ঙম্বা নত্তে। মসি পূম্নমক ঐখোয় ঐখোয়না তৌজরুবগী ফলনি। লৈঙাক হেক লাকপগা লাক্কদৌরিবা ঈহৌ, থেংনগদৌরিবা শেঙ্গ থুমজাগী ৱাথোক, মীহাৎ মীপুনগী ৱারোইশিন অমত্তা তরাইবা নত্তে। কোংগ্রেসকী লৈঙাক মনুংদা দশা তাগদবশিং চোঙনবা খোঙফম শেম্নরম্লগনি। ফবা ফত্তবা অওনবা অহোঙবদি শোয়দনা লাক্লগনি। অদুবু য়েংবা তাবনি, ঙাইখিবা তাবনি।

# আর্থক্কেক্কী মরমদা খরদং



ঈ আর - নোংমাইথেম নোরেন

*ঐখোয়গী* মালেম পৃথিবীগী মথক ইথং থংবা শরুক অসিবু লিথোস্ফিয়র হায়না কৌই। হায়রিবা শরুক অসি মালেমগী লৈমায়দগী কিলোমিটর ৭০ দগী ১০০ ফাওবা লুনা শন্দোক্তুনা লৈ অদুগা মালেমগী মপান থংবা কুয়োম অমসুং মসিগী হেক মখাদা লৈরিবা অঙৈংবা, অকনবা শরুক্না হায়রিবা লিথোস্ফিয়র অসি শেম্মী। হায়রিবা অঙৈংবা লিথোস্ফিয়রগী হেক মখাদা অশাবা সেমি-দেন্স ওইবা রোকশিংনা কাবক শৌদোক্তুনা লৈ অমদি মফম অসিদদি শাবগী চাং অসি ১০০০° C রোম্নি হায়না পানৈ। সেমি-দেন্স অমদি সেমি-মোল্টন ওইবা লিথোস্ফিয়রগী হেক মখাদা লৈবা পৃথিবী শরুক অসিবু অষ্টথেনোস্ফিয়র হায়রগা খঙনৈ। লিথোস্ফিয়র হায়রিবা লেয়র অসিনা সেমি-মোল্টেন ওইবা অষ্টথেনোস্ফিয়রগী মথক্তা তাওদুনা লৈ। লিথোস্ফিয়র প্লেটশিংগী লেংদুনা লৈরিবা মওং-মতৌ অসিবুনা প্লেট টেক্টোনিক্স হায়রগা খঙনৈ।

ৱিকিপেদিয়াগী মতুং ইন্না পৃথিবী মপান্থংবা কুয়োম ওইরিবা লিথোস্ফিয়র অসিনা খঙহৌদনা ইনর্জি থাদোক্তুনা সিজমিক ৱেবশিং থোকহন্দুনা মালেমগী লৈমায় অসি খঙহৌদনা নিকপগী থৌওং অসিবু আর্থক্কেক, ক্কেক, ট্রেমর নৎত্রগা টেমব্লর হায়না খঙনৈ। আর্থক্কেক অসি মহৌশাগী ওইবা মরম অমা নৎত্রগা মীওইবগী খুৎশেম্না থোকহল্লি - জিওলোজিকেল ফোল্টস রপচর তৌবা, মৈগী চীং পোকখায়বা, চীং নীংখায়বা, মাইনিংগী ব্লাষ্ট নৎত্রগা ন্যুক্লিয়র ব্লাষ্ট তৌবা। আর্থক্কেক অয়াম্বা জিওলোজিকেল ফোল্টস রপচর তৌবনা থোকহল্লি। রপচর তৌফম মফম অদুবু আর্থক্কেক অদুগী ফোকস নৎত্রগা হায়পোসেন্তর হায়না খঙনৈ। হায়পোসেন্তরগী হেক মথক্তা মালেমগী লৈমায়দা লৈরিবা মফম অদুবুনা ইপিসেন্তর হায়না খঙনৈ। লেন্দস্লাইদ নৎত্রগা ভোলকেনিক ইরপসন্না আর্থক্কেক থোকহনবগুম ওন্ন-তৈনবদা আর্থক্কেকনা লেন্দস্লাইদ নৎত্রগা ভোলকেনিক ইরপসন থোকহনবসু য়াওই।

আর্থক্কেক অসি সিজমোমিটরনা রিক্টর মেগ্নিচুদ স্কেলদা ওল্লি। অপীকপা মেগ্নিচুদকী আর্থক্কেকশিংদি ঐখোয়না ইশাদা ফাওবা ঙমদে অদুবু অচৌবা মেগ্নিচুদকী আর্থক্কেকশিংদি মখোয়গী অরুবগী (দেপথ) মতুং ইন্না শাথিবা অমাঙ-অতা কয়া থোকহল্লি। ঙসি ফাওবগী মনুংদা মেগ্নিচুদ ৯ খরা হেল্লপ তৌবা ফাওবগী আর্থক্কেক থোকখ্রে অদুগা মসিদগী হেনবসু থোকপগী ওইথোকপসু লৈতবা নত্তে হায়না ৱিকিপেদিয়ানা রিপোর্ট পী।

ইন্টরপ্লেট আর্থক্কেক থোকহল্লিবা ফোল্ট অসি নোর্মেল, রিভর্স অমসুং ষ্ট্রাইক-ইস্লিপ হায়না মখল অহুম থোক্লা খায়দোকই। মেগ্নিচুদ ৮ অমদি মসিদগী হেন্না কনবা আর্থক্কেকশিংদি রিভর্স ফোল্টশিংনা থোকহল্লি। ষ্ট্রাইক-স্লিপ ফোল্টশিংনা মেগ্নিচুদ ৮ গী ময়া য়ৌবা আর্থক্কেকশিং অদুগা মেগ্নিচুদ ৭ তগী তাবা আর্থক্কেকশিংবুনা নোর্মেল ফোল্টশিংনা থোকহল্লি। আর্থক্কেককী মতমদা মালেমদগী য়াম্লবা ইনর্জি কয়া রিলিজ তৌই। য়ুনিট অমা হেনগৎপদা ইনর্জি রিলিজ তৌবসি শরুক ৩০ হেন্না হেনগৎলি। খুদম ওইনা মেগ্নিচুদ ৬ কী আর্থক্কেকনা মেগ্নিচুদ ৫ গী আর্থক্কেক্তগী শরুক ৩০ হেনবগী ইনর্জি রিলিজ তৌই অদুগা মেগ্নিচুদ ৭ কী আর্থক্কেকনা শরুক ৯০০ হেন্না (মেগ্নিচুদ ৫ গীআর্থক্কেক্তগী) ইনর্জি রিলিজ তৌই। আর্থক্কেক ৮.৬ কী ইনর্জি রিলিজ তৌবগী চাং অসি কয়া য়াম্বগে হায়ববু WW-II দা শীজিন্নখিবা এ-বোম অমনা রিলিজ তৌবা ইনর্জি অদুগী শরুক ১০০০ গুম্বনি।





পেসিফিক ওসিনদা লৈবা আর্থক্কেক অমদি ভোলকেনিক ইরপসন য়াম্না থোক্তুনতা লৈবা মালেমগী শরুক অমবু রিং ওফ ফায়র হায়রগা খঙনৈ। আর্থক্কেক অয়াম্বা হায়রিবা শরুক অসিদগী হায়বদি রিং ওফ ফায়রনা শন্দোক্লিবা অরুবা অসিদগী লুথদনা হৌগল্লি। কিলোমিটর ৭০ দগী হেন্না থেনবা মফমদগী হৌরকপা আর্থক্কেকপু শেল্লোও-ফোকস অদুগা কিলোমিটর ৭০ দগী ৩০০ ফাওবদা লৈবা মফমদগী হৌরকপা আর্থক্কেকপু মিদ-ফোকস নৎত্রগা ইন্টরমিদিয়েট ফোকস হায়না খায়দোকই। মসিদগী হেন্না লুথবা মফমদগী হৌবা আর্থক্কেকপুনা দিপ-ফোকস আর্থক্কেক হায়রগা খঙনৈ। শেল্লোও-ফোকস আর্থক্কেক অমনা অতৈ কন্দিসন চপ মান্নবা মতমদা আর্থক্কেক অতৈদগী ঐখোয়দা হেন্না অমাঙ-অতা থোকহল্লি। করিগুম্বা আর্থক্কেক অমা থোকখ্রবা মতুংদা চেকখায়দুনা দিসপ্লেস তৌখ্রবা টেক্তোনিক প্লেট অদু অনৌবা ফোর্মেসন অমদা লেংদনা লৈনবা হোৎনরকপা মতমদা মদুনা অফটরসোক হায়না খঙনবা আর্থক্কেক থোকহল্লি। অফটরসোক অসি অয়াম্বা মতমদা হান্নগী মফমদুমক্তদা থোকই অদুগা মখোয়দুগী মেগ্নিচুদতি হান্নগীদুদগী তাথবা ওইগল্লি। আর্থক্কেক স্বার্ম অমদি আর্থক্কেক ষ্টোর্ম/ ক্লষ্টর হায়না খঙনবা আর্থক্কেক ময়াম অতেনবা মতমদা অমগী মথঙদা অমা থোকপা জিওলোজিকেল ফেনমেনন অমসু লৈ।

হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা ইন্সত্রুমেন্টেসনগী মতেংনা খঙবা ঙম্বা আর্থক্কেক্কী মশীং অসি চহী অমদা ৫০০,০০০ থোকই হায়না পাই। মখোয়সিগী মনুংদা ১০০,০০০ রোমদি ঐখোয়দা ফাওবা ঙম্মী। কুমজা ১৯৩১ দা আর্থক্কেক মোনিটর তৌনবা সিজমিক ষ্টেসন ৩৫০ রোম লৈরম্বদগী ঙসি মালেমগী মফম কয়াদা সিজমিক ষ্টেসন কয়া লৈরক্লে। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস জিওলোজিকেল সর্ভেগী রিপোর্ট মতুং ইন্না চাংচত্তা চহী অমদা মেগ্নিচুদ ৭ তগী ৭.৯ গী আর্থক্কেক ১৮ অমদি মেগ্নিচুদ ৮ অমদি মসিদগী হেনবা আর্থক্কেক অমমম থোকই হায়না খঙই। আর্থক্কেক্কী মরমদা দেটা খোমজিন্দুনা কুপ্পা থিজিনবা হৌরকপা চহী ১০০ রোমতমক ঙায়রি। আর্থক্কেক হায়বা অসিগী মরমদা করম্না অমদি কয়াম তোয়না থোকপগে হায়বসিসু অনৌবা সবজেক্ট অমা ওইরি।

পেসিফিক রিং ওফ ফায়র হায়না খঙনবা কিলোমিটর ৪০,০০০ শাংবা হোর্সসুগী মওং মানবা জোন অসিবু সর্কম-পেসিফিক সিজমিক বেল্ট হায়রগসু খঙনৈ। মালেমগী থোক্লিবা আর্থক্কেক মশিংগী ৯০% অদুগা খ্বায়দগী অচৌবা আর্থক্কেক মশীংগী ৮১% দি জোন অসিগী মনুংদা থোকই। মসিগী জোন অসিদতা নত্তনা হিমালায়ন মাউন্টেনগী পরিংদসু অচৌ-অচৌবা আর্থক্কেইক কয়া থোকই।

ইন্দিয়া হায়রিবা সব-কর্ন্টিনেন্ট অসিদা মাঙ-তাকপগী মশক ওইরবা আর্থক্কেক কয়া থোকখ্রে। হায়রিবা অসিগী মরমদি ইন্দিয়াগী জিওলোজিকেল প্লেট অসি এসিয়ারোমদা চাওরাক্লা চহীদা মিলিমিটর ৪৭ কী চাংদা মুভমেন্ট তৌই। অদুগা ইন্দিয়াগী লৈমায়গী চাংদা ৫৪ গী শরুক্তি আর্থক্কেক থোক্কনবা মফম হায়বদু ওই হায়না ষ্টেটিষ্টিক্স দেতা পী। ইন্দিয়া অসি IS 1893 (Part 1), 2002 হায়রিবা কোদ অসিগী মতুং ইন্না জোন ফেক্তরগী মতুং ইন্না সিজমিক জোন মরি থোক্লা খায়দোকই। হায়রিবা জোনশিং অদুদি জোন টু, জোন থ্রি, জোন ফোর অমসুং জোন ফাইবনি। মসিগী মমাংদা জোন মঙা অদুগা মসিগী মমাঙদনা জোন তরুক থোক্লা খায়রম্মী। হৌজিক্কী জোনশিং অসিগী মনুংদা জোন ফাইব অসিনা খ্বায়দগী আর্থক্কেক থোক্কনবা মফমনি হায়না পীরি। কাশ্মির, নোংপোক অমদি ময়ায়থংবা হিমালায়ন রিজন, অৱাংথংবা অমদি ময়ায়থংবা বিহার, অৱাং-নোংপোক ভারত অমদি কটচ হায়রিবা মফমশিং অসি জোন ফাইবকী মনুং চল্লি। ঐখোয়গী ষ্টেট মণিপুরদসু হায়রিবা জোন ফাইব অসিগী মনুং চল্লিবনি।



**আর্থক্কেক্না মখাগীশিং অসি থোকহল্লি ঃ-**

১। লৈমায় নিকপা অমদি চেকখায়বা। মসিনা দাম, থোং অমদি য়ুম-কৈ কয়া নীংখায়-চেকখায়হনবা য়াই। চাউখৎপা লমশিংদদি ন্যুক্লিয়র পাৱর প্লান্ট ফাওবা শোকহল্লি।

২। লেন্দস্লাইদ থোকহন্দুনা লম্বী-থোং ফাওনহন্দবা অমদি য়ুম-কৈ কয়া ফুমজিনবা য়াই।

৩। মৈহৌ লাংপোক কয়া ইলেক্ত্রিকেল পৱার লাইন নৎত্রগা গ্যাস লাইন তৎহন্দুনা থোকহনবা য়াই।

৪। সোইল লিক্যুইফেসন থোক্তুনা য়ুম-কৈ অমদি লম্বী-থোং অমাঙ-অতা থোকহনবা য়াই।

৫। সুনামি থোকহন্দুনা সমুদ্র খোঙবান্দা লৈবা মফমশিংদা মাঙ-তাকপা থোকহনবা য়াই।

৬। দাম কয়াদুনা ঈশিং-ঈচাও থোক্লিংঙাই ওইহল্লি।

আর্থক্কেক হায়বসি থোল্লক্কদৌরে হায়বা ঙসি ফাওবা খঙনবা সাইন্টিফিক মেথোদ নৎত্রগা খুৎলায় লৈত্রবসু ফোর্কাষ্টিং তৌবগী সাইন্সতি খরা মখৈদি খুমাঙ চাওশিল্লে। আর্থক্কেকনা মীওইবা খুন্নায়দা তমথিনা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনবগী খুদম-চাংদম কয়া ঐখোয় তারে-উরে। ঐখোয়না আর্থক্কেক্কী অমাঙ-অতা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা লম্বী-থোং, য়ুম-কৈ অমদি অতৈ ইঞ্জিনিয়রিং ষ্ট্রকচরশিং শাবদা নীংথিনা দরকার লৈবা মওংদা শাগদবনি। অতোপ্পা তৌগদবা থবক অমনা আর্থক্কেক থোল্লকপা মতম অমদি মসিগী মতুংদা মীয়াম্না করি-করম তৌগদগে হায়বদুগী শেম শাবদুনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৬

১। ‘‘যামিনীগা নবকিশোরগা মাঙখিবা নুমিৎ হুমনি শুজিল্লক্লে। যামিনীগী লুহোংবা কায়রে।’’ পরেংশিংসি করম্বা উপন্যাসতগী লৌথোকপনো?

২। ‘‘প্রোফেসার সেন-মপূং ফাবা মমিংনা সুকুমার সেন কৌই। নোংচুপ বঙ্গদা সেন শাগৈগী শক্লাইরবা, শক্লাইরবী মীওই কয়া লৈ। মহাকসু তোমথিননি।’’ পরেংশিংসিনা করম্বা উপন্যাসতগী লৌথোকপনো?

৩। ‘অহিংসিনা লোইদ্রিঙৈ’ নোভেল অসিগী অইবীদু কনানো?

৪। 'The Taste of a Hilsa' হায়না কুঞ্জমোহনগী ৱারীমচাশিংবু ইংরাজিদা হন্দোকপদু কনানো?

৫। ‘বঙ্গবন্ধুগী লৈবাক্তা’ লমকোয় ৱারী অসিগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।